HUEIYEN LANPAO

"মীওইবা অমনা নিংখৌ ওইদুনসু কনাগুম্বা
অমগী আত্মাবু দন্দি পীবা য়াদে।"
- শীতলজিৎ
(থাদোকপা)

## মহাক্লা ঐখোয়দা অহানবা থুংলখিবা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ইমানদি খঙজরল্লোই
মচা চাউরে পাখঙ ফারে হায়বা
করিসু খঙদনা ফৌসু খোংদা
অয়ূক নুমিদাংগী চারা তাল্লি।

ঐ ঙকখি, য়াম্না থাজদনা
পাখোং অমা ফোংবগুম
ঐগী থম্মোয়দা ফাওখি
মহাক ঙসিদি ঐখোয়গী
য়ূমদা অহানবা চঙলে।

ঐনা লোৎনা য়েংথোকখিবদা
মহাক লৈকায়গী
ইচলশিং অদুগা লোয়ননা
ঐখোয়গী য়ূমদা অহানবা
লাকখিবা নুমিৎ অদো।
লোৎনা-লোৎনা, লৈনা-লৈনা
ঐখোয়গী য়ূমলোমদা য়েংলকখিবদো।

ইমা খঙখ্রবা মাল্লি
ঐ স্বাই লাওই
মচা চাউরে, মচা পাখঙ ফারে
হায়বা ইমা খঙজদে।

থাজদ্রবা মীকুপশিং অদুনা
পূনশিল্লদুনা নোংমা নোংমা শাখিদুনা
হৌখ্রে মতম, মতমনা পুরক্লদুনা
ওইহল্লে ঐবু অহলশিংগী শীংলুপ্তা।

ঙসিদি ঐ লৈকায়গী থৌগাই পুরদুনা
চৎলি ৰারেপ অমা পুরক্লবা
লৈকায় তরা লান্দুনা।

লৈকায়দুগী অহল লমনশিং
অদুগা পূন্না ৰা তান্নে
নুমিৎ থা য়েংদুনা
অফবা থাবন লেপ্লে।

মহাক্লা ঐখোয়দা থুংলখিবা
অহানবা নুমিৎতো ঙসিদি
কয়াদা লাপ্পখ্রবনো।

## হিংহল্লু ঐখোয়বুসু নখোয়গুম্না

—দিম্ভাজিৎ

হৌখিবা মপোক্তা
করম্বা ইরাল লৈদুনা
অসুক তোন্না পোকহনবিরি
মীমান্নবা ঙমদনা।

ঐখোয়গী ইতৌ উবদা
করিগী নোক্লবিরি
হন্থবা মীৎয়েং য়েংদুনা
নুংশিবীবা য়াওদনা।

করিগী মীরাইবীরি ঐখোয়বু
ঐখোয়গীসু লৈজে
পাঙ্গল, শক্তি থৌনা
থবক তৌবা ঙম্বগী নখোয়গুম।

হিংহল্লু ঐখোয়বুসু নখোয়গুম
নীং তম্না মালেমসিদা
নখোয়গী নুংঙাইবদা য়াওহনবীয়ু
ঐখোয়সু মীনি মালেমসিগী।

## অঙাংবা ঈ

—বাবু ইরেংবা

ঈ খজিক্তং হেক উবদা
অউবা খুদিংমক
হায়নরম্মী
শোন্নরম্মী
পাখৎনরম্মী
ইস! ঈ সিদি হায়দুনা
অদুবু
হৌজিক্তি কদাই।

## তেংথা ঈশৈ

—অথোকপম তোম্বা

চৎখ্রে নঙদি চৎখ্রে
তাইবঙ পনখৈ ৰাংমদা
কনাবু হন্না য়েংলমদা
নদোম তরক তাইবঙদৈ।

শৈহেক শৈশক নুংশিবা
তাইবঙ থম্মোয়গী কোকিল
তাররোই অমুক নৌহৌনা
নুংশি খোঞ্জেল নুংওনবা
মীয়াম তিনবা মীরক্তা
পূক্লিং থম্মোয় শুমহৎনা
নুংশি চেংলৌ উররোই।

তারি ঙসিসু তারিনে
শক্লম্বা নঙগী ঈশৈদি
কায়না মৈরিনা ৰায়রবা
কপ্লি ইরিল তুরেলদি
নঙনা তোইনা কৌরম্বা
হো বাবু শৈশক্লা
অৰা হুইদোং কোক্লম্বা।

পুঙমদ্র থম্মোয় কয়াদি
তেংথারি খোঞ্জেল থোক্তনা
চৎলোকো থৰায় ওইব ও
মপূগী লৈকোন্দা নুংঙাইনা
মসিনা খুদোলনি খনবীয়ু
পাংদ্রবা ৰাখল ঐহাক্কী
নহাক্কী নফমদা তমজবা।

নচা ননাই কয়ামরুম

চীক্লোন নাকোন তম্মম্বা
লাক্লরোই মপোক লাংওনসিদা
নীংঙমদা থম্মোয় পিরাংনা
কচ্চরি খুয়া থম্বালদা
কাউঙমদে নৰাহে খোন্থোক ফজবদো।

## দাকফম

—বি মঙাং

বাবা নহাক্তি চৎখ্রেদো
ঐখোয় খুদিংমক থাদোল্লগা
লাক্লরোইকো অমুক হন্না
নীংঙমলক্তেদা হৌজিক্তা ঐসে।

লংজরুবা ইরাল কয়াদুগী
কয়াদা লম হেল্লুরবা ঐহাক্লা
ইথৌদা পূক্লিং চঙদবগী
ওজানা হায়বা ইন্দবগী।

তম্ফমশঙদসু, শান্নবুংদসু
ঐগী য়াইফনবা খঞ্জবদা
নহাক্কী নশরুক ওইজখিবা
বাবাবু মীমাঙ ফমহনখি,
ইকায় ফিরুক খুমহনখি
লমহেনবা নচা ঐগীদমক্তা।

অচুম্বনা লাইনীং ওইজবা
ঐহাক্কী মরমগীদমক্তা
ৰাখল লায়না ওইরগা
তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎখ্রবা
হৌজিক্তা ৰাখল লাক্লে।

ওহ! নীংঙমলক্তেদা বাবা
পোকচবগী মহয় য়ানব্রা হায়ববু!
মচা অমগী হাক্তক্তা নোরোক তাই
হায়বগা চপ মান্নখ্রে।

বাবানা মায়দা থম্বীরম্বা
ৰারকপগী দাকফমদুদি
ঙসিসু লেঙদনা লৈ।
দাকফমসিনা ওইহৌরগনি
বাবাবু নীংশিংবগী খুদম।

## থাবল

—মাইস্নাম বীষেশ্বর

অচিকপা অহিংসে হায়ফম খঙদ্রে!
অইংবা থাবল মঙালনা ফিঙৌ ফৌরিবসে
মায়কৈ থুংনা মেংনা ইথক ইপোম হৌরিবসে
মালংগা মরুপ ওই লিরি হুম্না শিৎলিবসে।
মসিদবু তাইবঙ জীবনা
নুংওনলোইদবা লৈরোয়দগে।

নোংইন মাসু তাঞ্জা চানা
ফৈরাথক্তা তোংলরিবসে
হে থাবল নিংথিরবী থাবল ফজৈদকো নহাকসে
নহাক্কী শুমহৎয়াই নতিক নগুণ অঙকপনিকো
মথৰায় পানবা জীব অমত্তা ঙাওরোইদবা লৈতে
অতিয়াবু উরুই লাংতক্লে।

মশীং লাকঙমদবা থৰান্মীচাক্লা কুপলিবা
ঙসিগী অহিংসে করিবু হায়গদোইনো খঙদ্রে
লুপা মচু মহিনা অহিংসে ময়াই কানা লুপলিবা
নুংবংনরিবা কঙাওনরিবা পূক্লিংসে
তেকখৎহল্লো শুক্ষৎহৈবা শৈশকহৈবা
খোঞ্জেলদুনা থম্মোয়সিদা
খিক্লরো নুংশিবগী শুরদো ঐঙোন্দা
অথাপ্পা থৰান্মীচাক মঙালগা ইরোইননা
পোখাহল্লো অমুক্তদি কৈদৌবগে।

ইমিৎসিদা হরাউবা হায়বদো উহল্লো
অৰাবা পূম্বা মাঙহল্লোনে হে থাবল।

## য়াওশঙগী ৰাকৎ

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

কুমজা কুমজা খুদিংগী
ওকপীরম্বদাইনে ঐবু তরাম তরাম্না
কংলৈপাক্কী কংলৈচাশিং।
কুমসি কুমজা লাকপদা
করিগীনো অদুক তাথিরিবা?
পাউচেদা টিভিদা রেদিওদা
ঐবু থীনা থীনা।
নুংশিজখিবনি ঐদি পূম্নমকপু
নুপী-অঙাং, পাখঙ-লৈশাবী
নহা-অহল খায়দনা।
নখোয়না ৰানা ৰানা ঙাইরম্বদাইনে
য়েংদুনা ঐনা লাকপা লম্বী।
ঙসিদি চৎলে নখোয় পূম্নমক থাদোল্লগা
মীৎকী পিগা লোয়ননা
অমুক উন্নরসি মথং কুমজা লাকপদা।

## পিরাং

—সনাবম বিকেন্দ্রা মঙাং

করিগী শিন্থরিবনো হংজহৌই
থম্মোয়নুংসিদা ইথন্তা
চোৎলসনু খল্লি মফমসে
তারকই লেপ্পা নাইদনা মিৎতগী।

হংজৈ থম্মোয়নুংসিদা
পাউখুমফম লৈজদে ঐহাক্কী
ৰানা খাংলি ইথন্নতা
হংজরি তোয়না লকানুংদা।

অৰা-মৈশা লাংলিবা
পাম্মু মশুং লাংগীরা
নুংশি মহাকথক্কীরা
হংজরি থম্মোয়দা তোয়না ।

চিনবান্দা শোল্লি মুরুম মুরুম
খল্লি ৰাখলনা মফাং মফাংনা
লীরি পুন্সিগী ৰারী
মখোলদি থোক্তনা থম্মোয়দা।

# মরোল থোকপা নূং

## (মহৌশাগী মনুংদা লোৎলিবা মহৌশা অমা থিরিবী অইবা অমা)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | মরোল থোকপা নূং |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | নির্মলা রাজকুমারী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৫ |
| অফোঙবা | ঃ | ইমাখোল |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**রাজনিতীগী** হক তাল্লম্বদগী খোরিরোলদা মখোয়গী মফম অমা কন্নবা হৌরকখিবা নুপীশিংগী লালহৌ অসিবুনি 'ফেমিনিজম' হায়না খঙনরিবসি। খোরিরোলদা মসিনা চঙলকপদি ১৯৬০গী লোইরমদাইদগীনি হায়না পানরি। মখোয়না ফংখ্রিবা থৌনা অসিনা মরু ওইনা মখোয়গীদি বাইবলগুম লাৎলিবা লাইরিক অহুমখক অদুদগীনি: (১) Simone de Beauvoir গী 'The Second Sex' (1949), (২) Mary Ellman গী 'Thinking about women' (1968), (৩) অদুগা Kate Millett কী 'Sexual Politics' (1970) অহুমসিনি। মখোয়গী নৈনরিবা হীরম্না মরু ওইনা, মহৌশাদগী নুপানা নুপীশিংবু নমথবীরে, নুপানা পাম্বদু নুপীদা অশোনবগী খুদোংচাবা লৌরগা চৎহল্লে হায়বসিনি। নুপানা পানবা মালেমসিবু মখোয়না 'Phallocentrism' হায়না কৌরি। ৰাহৈ অসিমক্তি বৃটিশ মচা, সাইকোএনালিষ্ট, Ernest Jones তগী পূবনি। ভারতকী ওইনদি ফেমিনিজমগী মরূ হুনখিবসি য়াম্না ঙল্লি। সরোজিনি নাইডুনা প্রসিডেন্ট ওইবা অরোনবা মীফম অমদগীনি। নুমিৎ অদু ১৯০৬কী দিসেম্বর ৩১দা ফমখিবনি। মতমদুগী কলকতাগী Bethune কলেজ মনুংদনি। মতমদুগী মহারানী কয়াসু য়াওখি। বড়োদাগী মহারানীনা হাংদোকখি। অদুগা মহিশুর, নাটোর, ময়ুরভঞ্জ, কুচ বিহারনচিংবা লমগী মহারানীশিংসু য়াওখি। মীফম অদু Indian Ladies' Conference কৌখি। মদুদা মাগী ৰাহৈদা সরোজিনীনা হায়খিবসিনা নুপীশিং মমিৎ পাঙখি। মানা হায়, "Do men of our days deserve *sati*? What sort of men do we find now? They are not men at all. They can be called the degenerate descendants of ancient heroes." য়াম্না কনবা ৰাহৈনি মানা শীজিন্নরল্লিবা। অচুম্বসু য়াওরিবা। মণিপুরগী নুপী অইবীশিংগী মরক্তা ফেমিনিজমগী ঈহৌ কনখৎলকপদি মেমচৌবীগী 'অন্দ্রোগী মৈ', অমদি ইবেমহলগী 'নোংথাংগী ইনফি' য়ৌরকপদগীনি হায়নীংঙি। অদুবু ঙসি ঐখোয়গী নুপী অয়াম্বগী খূৎইদা Feministic tone গা confessional tone গা য়েৎশিন্নবগী মওংদি উরি।

ঐনা ৰাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি নির্মলাগী শৈরেং খরা পারুবদা ফাওরকপা ৰাখলনি। মহাক্লা নুপা নুপীগী মরীদা শৈথাবা শৈরেং খরা ফজনা ইরি। নুপীদা নত্তে নুপাসুনি, মশাগী পুন্সিদা অৰা-অনা থেংনরিবা ঙাক্তনি। পুন্সিনি খন্না খাঙনরিবা ঙাক্তনি। নুপীদা তারিবা অৰাবা পূম্বা নুপাগী মকোক্তা হৈথবা চুম্বরা? মসি ৰাহংনি। মতম পূম্বদা হংহৌরদৌবা। মতাংসিদা নির্মলানা ইরি, নুপীগী মশক মুন্না খঙজনা। মানা হায়, "কখোকউ নুপীনি নঙদি/নুপীদি কখোক্কদবনি/ পুগদৌবনি মালেমসে নকোকথক্তা।" (পকচদে কপকনু, লা: ২১) অমুকসু মানা হায়রি, "মৈরা অমা/লৈরিদনা অন্দ্রোগী মৈরীগুম/মৈতৈ নুপীগী থম্মোয়/মুৎপা নাইদ্রবা মতম খুদিং।" (মৈরা অমা, লা: ৪০) ৰাহৈশিংসিনা তাক্লি, অৰাবা খাঙবা হায়বদুদি পুন্সিনি। থম্মোয়গী মৈরী অসিমতং মুৎহন্দ্রগা লোইরে। অদুবু মানদি নুপা ওইবদা চেকশিন-ৰা অমদি হায়রি, মসিদি তাদবা শুকঙম ঙল্লোই। মানা হায়, "ঐ খঙই/নঙ ঐগী মরুপনি/পুন্সিগী লৈ পরেং হুক্লবা/... ঐ হিংলিদনা অসুক কুইবা/... পুন্সি ঈশৈ শক্তুনা/হরাউ জগোয় শাদুনা/... নৌরেল তান্থা ঈশৈদা/শকমিন্নখিদনা শৈহেক অমতদা।" (মরুপ, লা: ৬১) কুন্দো পরেংগী খুদোংচাবা লৌরগা নুপানা থাজবা মাঙহল্লক্কনু হায়রিবনি। মসিদি ইন্দিয়াগী মোনরোনি হায়নরিবা Kamala Das কী মতকা য়াম্না মান্নরি। মাসু নুপাবু হেক্তা হুন্দোক্কদবা নত্তে, ভাব তামিন্নরগা লোইরে হায়রি। অদুনা নির্মলাগী শৈরেং পূম্বগী নুংগী ৰা তাবা তারবদি মাগী লাইরিক মমিং পুরিবা 'মরোল থোকপা নূং' পাব তাই। মসিদা মাগী পুন্সিগী, তাইবঙগী, থাজবগী, অৰা-নুংঙাইগী ওইবা Philosophy লোইনা হাপচিল্লগা থল্লি। চপ মান্নবা নূংদু অমনা নূংথংগী চৈনা খাঙবা ঙমদে, হেক্তা মচেৎ মচেৎ তাই। অমনা মদু খাঙলুবদগী মুর্ত্তি ওল্লি। মাবু মীয়াম্না লাৎনৈ। হান্নগী নূংদুনা খোঙনেৎ ওইখি। মসিনা তাক্লি, পুন্সিদি অমুক ৰাব-অমুক নুংঙাইবনি। জ্বার শান্নবগুম্বনি। অমুক মাঙব, অমুক তোংবা। অইবীগী ৰাখল ফনা শেংলে খল্লি।

পুন্সিদা নত্তে অইবীনা থিরিবা। ঐখোয়না উরিবা মহৌশা অসিগী মনুংদা মহৌশা অমসু লৈরি হায়বা পুথোক্লকই। অহানবগী মহৌশাদুদি কৈসু নত্তে, নুংশিবনি, অচুম্বনি। মানা হায় মালেম অসিমক নুংশিবনা শেম্বনি। ৰাহৈসিমক্তি ইংরাজি কবি, Robert Bridges নসু পল্লম্লবনি। মানা হায়, "Love, from whom the world begun/Knoweth the secret of the sun." মতম পূম্বদা চুমহৌরদৌবা ৰাফমনি। অদুবু নির্মলানদি নুংশিবনা শেম্বা মালেমসিদা কনানা তেনৰাগী মচু অশঙবা শঙলিবনো, তেনৰা মচিনগী অঙাঙবদুনা কনানা তৈশিল্লুরিবনো হংলি। অইবীনা পাউখুমসু পীরি, মদুবুনি 'মহৌশাগী মনুংদা লৈবা মহৌশা অমা' হায়বদু। কয়াদা লুনা খঙখ্রবা ৰাফমনো। মনুংদা লৈরিবা মহৌশা অদুদি অচুম্বনি। অচুম্বগী মশক অদুবু ঐখোয়না ঈশ্বর কৌই হায়রি। ঙসি লাঙলিবা পূম্বা ঈশ্বর মশক খঙদবননি হায়রি। অদুনা ঙসিগী খাঙতপকী মীয়াম অসিবু মানা মিংশেলদা মমি তাদ্রবা মী কৌরি। মসিদি অনৌবা পাউনি। কবি মধুবীরনা ঙসিগী মীওইশিংবু চৰূগী মী কৌরম্মী। কবি ইবোপিশক্লা 'অনৌবা থুংলবা জীব' কৌরি।

নির্মলাগী মতকা চানরি। ঈশ্বর মশক খঙনা ইরকপনা অইবীনা পুন্সিগী মচৎ শৈথারি চুম্না। মানা হায়, "উপালশিংনা/পীরি মীওইবদা/চানবা উহৈ/নত্তে চানবা উপালশিংনা/... অদুম্না খল্লোইদবনি ঐগী কান্নবা/মালেমসি/নোংমতা ৰাই হায়ব্রা/নেৎথরিবা মীশিংগী খোঙপাকশিংনা।" (খল্লুনু হল্লকপগী, লা: ৩৬) অচুম্বা ৰা হায়বনি খল্লি। অমুকসু অইবীনা হায়রি, মায়থীবা খঙদনা মায়পাকপগী ৰা খঙলোই। অদুবু মায়থীরে হায়দুনা কপ্পগদবা নত্তে। অইবী মশাগীদি শেংনা হায়রি, "ৰারুদ্রে মায়থীবগীসু/কপ্লুদ্রে কায়নবগীসু/মকুপ মকুপ তানা কায়খ্রবা থম্মোয়সে/অমুক হন্না কায়নীংঙাই লৈত্রে।" (অওনবা, লা: ৩৯) অৰাবগী শরুক লোইরে, নুংঙাইবগী মতম লাক্লনি ঈঙ্গিৎ পীরিবনি। মসিনা তাক্লি, অইবী অসি আশা পুরিবী অইবীনি। খূৎ থারবী অমা নত্তে। অদুনা মানা অমুকসু হায়, "লাকসনু নোংলৈ চাম্মা চাম্মা/থেংনগনি পূম্নমক থৌনা ফনা।" (নোংলৈ নুংশিৎ, লা: ১৪) অদুগা মানা হায় পুন্সিগী মমল লৈহল্লমখিনি হায়না। মাগী ৰাহৈদা, "ঐ পুরক্লি ঈশিং পুন/...খৌগংলবা লম্বীসিদা/খৌরাংলবা কনাগী চিনবান্দা/পীথক্লননবা ঈশিং খুজোক খুজোক।" (ঐ মমানি, লা: ৮) মহাক নুংঙাইবগী মঙলান থাদোকপা লৈতে! মাগী আশা থুগাইবীনু হায়রি। মানা হায়, "উখি ঐ/নাকেন্থাগী উশাশিংদা/অশংবা উনাশিংনা জগোয় শাব/মঙলানসি/কনা অমতা থুগাইবিনু/হিংজরিবনি ঐদি মঙলানসিনা।" (উখি ঐ, লা: ২) ফজদে করম হায়নি। অদুনা অইবীনা মীয়ামদসু আশা মাঙবীনু হায়না পাউজেল পীরি অসুম্না, "ইরগে নুংঙাইবগী শৈরেং ঙাক্তা/মোমোন নোক্লা নোক্লস/অপাবশিংনসু পানবা নোক্লা, নোক্লা।" (ইররোই শৈরেং, লা: ৫) মসিনা তাক্লি, অইবীগী নাক্তা ফল্লুবদা কনাসু আশা মাঙলরোই। মতাংসিদা নীংশিংলকই, জর্মন ফিলোসোফর নিৎচেনা লাই শিখিবা কুইরে হায়রুবদা Voltaire না খুমখিবদু। মানা হায়, "লাই শিখিবা য়াই, অদুবু ঐখোয়না লাইগী মহুৎ অমদি থিফম থোকই।" মরমদি ভাবনা শাব ওইরবসু লাই অমগী মহুৎ অমদি থিফম থোকই। মরমদি ভাবনা শাবা ওইরবসু লাই অমগী তঙাইফন্দবদু মীওইবদা অদুম লৈ হায়বনি। নির্মলাসু অদুনি খল্লিবা।

মথঙদা নির্মলানা 'শজিবু' গী সিম্বল শীজিন্নদুনা শৈরেং 'তুমিন্না লৈখিবগী ৰারী' হায়বা অমসু ইরি। মসিদা অইবীনা পল্লি, শাউরিবনি হায়দুনা নুপাশিংনা খুম্বা ঙমজদ্রবী, পাঙ্গল শোনবী নুপীশিংবু মশক খঙবীয়ু হায়বা উৎলি। মানা হায়রি, "নঙ খঙদে উচেক মচাশিংদুনা/পাইখিবগী ৰারী শীংবুল/খোংলল্লগা অপীকপা খোঞ্জেলশিং/তুমিন্না লৈখিবগী ৰারী।" (লা: ১৫) মসিদা অইবীনা উৎনীংলি মদুদি খোঞ্জেল থোক্তবগীসু ৰাকৎ লৈরি, তুমিন্না লৈরিবী নুপীশিং থম্মোয়দা মরোল লোল্লিবনি। ফজখ্রে হায়নীংঙি। শৈরেং অমদা অমুক হায়রি, লমদম অসিদা উৎলিবা শক্তমদি, ওইরিবা ফিভমদি অৰাবগী মশক্লি। নুপী লৈবা কিরে, পোমশাৎনবী লৈরাং শাৎকায়বা হঙ্গোইরে। মসি নুপাশিংদা নাকচেৎনা কন্না চৈরি। ফত্তবা নুপানা থল্লে হায়বা নাকোইননা উৎলি। অদুবু অইবীনা হকথেংননা চৈজদে ফত্তবা নুপাবু। মানা হায়, "হে অফাওবা বৈজ্ঞানিকশিং/অনৌবা হিদাক অমত্তংদি পুথোকহন্নীংই/মীফত্তবগী হিদাক।" (অনৌবা হিদাক অমতং, লা: ২০) মসিনা তাক্লি, ফত্তবা নুপাবু ফহন্নীংবা, ঈং-তপ্পা মালেম অমা শেম্বা। ফজৈ হায়নীংঙি।

অইবীগী ফজবা মিৎয়েং অমসু য়াওরি। খঙদবদা অখঙবা শাজদে। খঙদবা ঈশ্বরবু অদুনি, অদানি হায়জদে। লৈ হায়বদি থাজবা, কনা ওইরমগদগে হায়বদি খঙজদবা অদু উৎলি। মসিদি ধর্ম্ম পূম্বগী ৰা নাকোইনরল্লগা অইবীনা চুল্লবা ৰা অমা হায়বনি খল্লি। মানা হায়, "নোংমা ঐ চৎখিগনি/মফম খঙদবা পুন্সি অমদা/মতমদুদা কনানো ঐনা থেংনরুগদবা।' (নীংশিং থোঙনাওদা, লা: ২২) অইবী অসি ফনা লুনা খন্থরে হায়নীংঙি। শৈরেংগী থিম মচং ওইবা খরদি লৌখৎলে হায়নীংঙি।

ইতোপ তোপ্পা ৰাফম অমনা থম্মোয় অমা পাল্লিবী অইবীগীসু মশাগী ৰারী লৈরি। অদুনা ফোঙদোক্তবা নুংশিবা অমা নাশোন পীক্লা হেক হেক কাইহৌবিরি। ৰাফমসিবু অইবীনা কল্পনা শীজিন্নদুনা লৈ নাচোম অমগী সিম্বল শীজিন্নদুনা ইরি। মানা হায়, "ঐগী শমজিগী নাচোম/লৈনম অমা লোৎলি/... খঙবীদা কনানা ঙসিসু/শমজিগী নাচোমসি লৈনম অমা লোৎলি।" (শমজিগী নাচোম, লা: ২৫) কয়াদা হৈনা ফোঙদোকপা ৰাহৈশিংসিনা তাক্লি। মসিদনি নির্মলাবু শৈরেং ইবী অমা ওইনা ঙসি য়েংনরক্লিবা।

অইবীগী confessional note য়াওবা শৈরেং খরসু উই। মসিদি থম্মোয়দা য়ৌই। মীনুংশি লৌবা ঙম্মী। ইমাগী শক্তম, ইবুংগী শক্তম উৎপা ওন্থোক্লা ফজখ্রে।

লোইশিল্লকপদা হায়নীংবা অমতংদি নির্মলাগী শৈরেং পাব য়ারে। অদুবু অসুক মরূ চঙবা শৈরেং কয়াসিগী মরক্তা য়াওরমদ্রসু য়াবা শৈরেং ১/২দি য়াওরে। তৌবগীদি অইবীনা হ্যুমর য়াওবা শৈরেং অমা অনী হাপনীংবদগী হাপচিনবা ওইরম্বসু য়াই। হৌজিক্তি থিম খনবগী মথক্তা craftsmanship খনবা ফরে। শৈরেংদি থিমনা য়াদ্রি, মরু ওইরিবদি খূৎলাম্থোক অদুনি। নেরেটিব ষ্টাইলনা ঙম্না চৎলিবা শৈরেংশিংসি ৰাহৈ লীক্লা ৰাহন্থোক লৈনা, মায়কৈদং তাক্লম্লগা অপাবশিংবু থিহনবা ঙম্বা খূৎইদুদং হাপচিল্লবদি হেন্না শোন্নগনি খল্লি। অদুবু অইবগী অনীশুবা পোথোক্তং ওইবনিনা মথঙগী খূৎইদা য়েংবা য়ারি।

# লান কৈদৌঙৈ লেপকনি?

**মংশাখৈ** ঙসিদি ফমুংদগী হৌগৎতে। নুমিৎ হুমনি চূপ্পসি লাইহৌ থিৎলি থিৎলি হৌরকপনি। চাক মরূ অমত্তা ময়াদা তারক্তবা চয়োল অমরোম ফারে। চাক-ঈশিংনগা চাবা থকপা য়ারক্তবনে, লাইহৌনগা তত্তনা হৌবনে মংশাখৈ মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থরে। উপাক্কী কাংথক অদুদা শুপ্নগী কন্থা অমখক্তংনা থারিবদুনা শোল্লবা মংশাখৈনা অমুক হেন্না অনা মৈচাক হাপ্নবা মচাক ওইরি। য়াচঙবা মতুংগী অমুক অমুক হুল্লকপা চীংশাং নাপোমগী নুংশিৎনা অনাবা অসিনা হীপ্লিবা খাংপোক মচাসিগী মনুংতম্না শিৎলরে। মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা অপাবা ঙাবোং অমখক্লা অইংবা ঙাক্লকপনি অসুক কুইবা মতমসি। ফৈজুপ চিংখৎ চিংখৎনা মংশাখৈনা মাগী খুয়াৰাইদা ফল্লিবা মশুনুপাদা হায়রকই - "দেনখোচিন! তূল্লবরা নঙবু? য়ারবদি ইপুদা ফৈজুপ অমত্তং হাপ্লকউদনা...।"

ঙসাইমখৈ দেনখোচিন ঈংমনখিবনা মপূগী খুয়াদা তুম্বক তাশিন্না ফমদুনা লৈরম্বনি। মহাক তূমথবা ইয়া য়াদে। মরমদি মহাক য়াম্না ঈংলে। মপূনা কৌরকপদুদা খুল্লকই - "ফৈজুপতি অমত্তসু লৈতে। ঐ ফাওবা লীৎলিবা ফুরিৎসিমনা লোইরে।"

- নমানা শাবিবা নবোক্কী ঙবোং মচাদুদি?
- অদুদি নহালমুক্কী মৈ চাকপদা য়াওখ্রবনি।
- ও! অদুদি অমতা লৈরল্লরোই। ফরে, য়েৎনখাদগী শীং অফৌবদু লোইশিনহৌদ্রবরা? মৈ খরা থানবা তৌরকউ।
- শীং অমতসু লৈত্রে, লোইথোকখ্রে।
- অদুদি নঙদি ঙসি চরা হেনবা তারব্রা?

পীক্লিবা দেনখোচিন পাউখুম অমতা খুল্লক্তে। চহী তরা মপূং ফাদ্রিবা মশুনুপানা মপুক্কী অরাম্বা খাঙলমগদববু লাইহৌনা নীক্লবা মংশাখৈনা য়াম্না মুন্না খঙই। অদুবু মহাক্তি ফমুংদগী হৌগৎ কাংখত্তুনা মদু পূম্নমক কোক্লনবা শিনবা ঙমদ্রে। অদুনা মহাক অদুমক তুমিন্না লৈখ্রে। শীংউৎ খরনা ইরল লন্না মমিংতা ওইনা খারিবা ফক্লাংগী অহোবদা লিৎশল্লকপা নুংশিৎনা অমুক অমুক হুল্লকপদা খংপ্রেক খংবমখৈ মশা পূম্বা লাইহৌ কন্না কন্না হৌরকই। অদুবু মহাক তুমিন্না অদুমক খাঙলকই। মরমদি পীক্লিবা মশুনুপাদু নত্তনা মনাক্তা কনাসু লৈত্রে হায়বসিমদি মহাক্লা কাউবা লৈতে। মহাকপু হেন্না শোন্থহল্লিবসু কাউদবশিং অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি। কাউবনা ফৈ হায়না খল্লকই, অদুবু হেন্না হেন্নদুম নীংশিংলকই।

নিংথমথা চঙলকপদনি। অয়ূক অঙনবদা মচানুপা, মমৌনুপী অমদি মচানিঙোল পূল্লপ্পা লৌবুক চৎখি। লৌরোক পান্থানি। য়োৎপাক মখোক তেনবা অমা লেংথোং নারদুনা মচানুপানা মাঙ থারদুনা মমৌগা, মচানুপীগনা চয়োম পুরদুনা নোক্লা নোক্লা পাম য়ানবা চৎখিবনি। নুংথিল নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল তাখি। নুংশা থীদুনা কোম্থোংদা ঙাইখি মংশাখৈনা মচা, মমৌ অমত্তসু হল্লকখিদে। মচানুপা-মচানুপী অমদি মমৌগী মহুত্তা খুনগী নুপা ময়াম অমা চেল্লক্তুনা তল্লখি, য়েক্ল বনা নোংমৈ অরোনবদা কাপশিল্লক্তুনা খুঞ্জা ময়াম অমা শোক্লে। শোকপতা নত্তনা খুঞ্জা খরদি শিবসু য়াওরে। অশিবশিংগী মরক্তা মংশাখৈগী মচানুপা-মচানুপী লোইনা য়াওখ্রে। মংশাখৈ লেপ্ন া লেপ্পা মঙ মঙখি। খুনগী মীয়াম্না অশিবা অশোকপা ময়াম লোইনা ইম্ফালগী হোস্পিটালদা পুখি। মংশাখৈসু মঙগুম্না মীয়ামগী তুং ইন্নখি। মোর্গতগী পোষ্ট মোর্টেম লোইরবা অশিবা ময়াম ত্রক অমদা হাপকৎলি খুঞ্জা ময়াম্না। অরোইবা আশা ওইজরিবী লৈশা মপূং ফারকপা কুইদ্রিবী মচা নিংঙোলগী তদেক-তদেক্লবা ঙৌরোক-ঙৌরবা হকচাংবু ঈনা মচু শঙখিবদু মংশাখৈ মুন্না য়েংবা ঙমখিদে। মমিৎ অনীমক পিনা থুক্ষৎখি। মশা পূম্বা নীকখি, চেঙ খৈবগুম। শীংলি নাওরি, লূ-তোং শিনবা থুংনা পঙথখিবগুম্না মহাক ৰাখল মাঙখি। মচা নুপী, নুপা, মমৌ পূম্নমক্কী নুংশিবা খঙহৌদনা খংথৎ-থৎখিবদা মহাক চোকথবা খঙখিদে। অৰাবসু ফাওখিদে। পূম্নমক মঙগুম্না থোকখি। মহাক্কুম্না মচা, মমৌ ঙম্না কায়নবগী মৈচাক্লা অঙাও-অফৈ শক্তম্নরবী মাগী নুপীবু উরুরগা অমুক হন্না খাংঙমখিদে। অহল মতম ওইরকপদা উপাই লৈতনা পীক্লিবা মশুনুপাবু চেৎনা কোল্লগা কপ্তুনা খাঙখি। নোংমা নোংমগী হম-হম চাউখৎলক্লিবা মশুবু য়েংজরগা মপূ-মবেন অনী পোথাফম থীরকই।

কাঙলূপ অনীগী লানসু লেপ্পা লৈত্রি। মরক মরক্তা হাৎন-শুনবা থোকপা লেপ্পা লৈতে। সনা মচু মাল্লবা ফৌগী চরোং কয়ানা থল্লবা লৌবুকশিং উৎকী মপৈগুম মৈরীরক্তা মাঙখ্রে। চীংমায় শন্না লৈশাৎ তল্লম্বা অৰাংবা উপালগী উরৈ কয়া তাঙ্গোয় ওনখ্রে। চীংমায় অমদগী চীংমায়'মা লান্না খোম্থাং য়ৈনা শৈশক তল্লম্বা চেক্লা-চাশিং মৈশা খাঙবা ঙমদদুনা করি লমদম্বু পাংলিগবা। ঙসিনা করি, হয়েংনা কদোমদা হায়বা খঙদ্রবা মমাশিংগী মথানুংদা পীক্লিবা নাৰাশিংনা মীপাইবা লৈতনা মনীং তল্লিবা অদু নত্তনা অতৈদি নোংমৈ মখোলনা লানগী অরোয়বা পুংজাবু কৈদৌঙৈ পুরক্কদগে ঙাইনহৌই।

খৃষ্টমাষ্ট ময়ানি। পীক্লিবা মশুনা চক্রি তৌরকই। ফুরিৎ লৈবিয়ু হায়বগীনি। য়েক্লরিবা মায়কৈ অনীমক্কী লান্দা চুড়াচান্দপুরগী কৈথেল অয়াম্বা মমিংতা ঙাইরে। উফুল ওনখ্রে। অতেক-অকায়তনা থুক লাউবা শক্তম অমা পুরক্তুনা হিংবগী মমি শামথরক্লে। মপূনা মশুবু ইম্ফালদা পুদুনা অপাম্বা ফুরিৎ অমা খলহন্দুনা লৈবীরে। মশুনা হরাউবা উবদা মপূসু অপেনবা হায়বদু ওইজরম্মী। নুংঙাইবনা পীক থল্লবা মশু-মপূ বস তোংদুনা ময়ূম হল্লকই।

মোলেমফাই লাম্থোরক্তুনা মথং মথং খেনজাং য়ৌশিল্লকপদা নুমিৎ তাবুম তাবুম তৌরক্লে। বসকী থোঙনাউদা মল্লি মল্লিবদা মংশাখৈনা উরকই, মচিন তুম্না ইৎলবা ৰাচেৎশিংনা মরোল মরোল খারিবা অৰাংবা খুনগী শম্বলশিং। অপাকপা লৌবুকশিং অঙম্বা পামশিংদা মরম ওকপী খুনগী খুঞ্জা নুপী অমতসু লৌরাং শিন্থা পাংখিদবা মতম কুইরক্লে। অপীকপা নাৰাশিং চরৈ নাহোং নমদা চেৎনা পোদুনা নোংমৈ মখোল য়ৌদবা লমদা খুল্লানখিবা। তথক্লবা থৰায়শিংবু পুরদুনা মিহুন চেঙগুম চেঙ্গানবমখৈ মায়কৈ সলাই খঙদনা লাঞ্জেন্নখিবা কৈদৌঙৈ মহুম পোঞ্জেনদা হল্লক্কনি। লংলা লংজিন খঙদনা চীংমাই শন্না চাক্লকখিবা লানগী লান্মৈ করম্বা কুমগী নোংজুগী নোংলিক্লা মুথৎপীগনি। তুইবোং য়ৌগদবা খরা ৰাৎলিঙৈদা বস অদু খঙহৌদনা খাম্মী। বস মনুংদা তোংলিবা মীশিং চিবোন চিবোন ঙাঙনরকই - "নারোন্দা খুন খরা মৈ থারল্লে, য়ূম কুন হেন্না মৈ চাকখ্রে। খুঞ্জাশিং অয়াম্বা নুপী অঙাং য়াওনা মায়কৈ খঙদনা চেন্নখ্রে।" বস মনুংদগী মীশিং থুনা য়াঙনা কুমথনৈ। ড্রাইভরনা হায় - "ঈরাং ফৎত্রে। গাড়ী চঙলরোই।"

মংশাখৈ মশুগী মখুদাং চেৎনা পায়দুনা বসতগী কুমথরকই। মী অয়াম্বা খুনলোমদা চঙশিন্নদে। তিঙক মায়ঙক্লনা মৈচাক ফনা চাক্লিবা মৈরীশিংবু অরাপপদা য়েংনদুনা লৈ। মংশাখৈ লেপ্পা ঙল্লক্তে। ময়ূম শঙদুনা লৈহৌবী চেনখোচিনগী মবোকপু নীংশিংলকই। চেন্না চেন্না মৈখুনা মল্লবা চীং লম্বীদা ময়ূমলোমদা লাক্লম্মী। চোকথবা খঙদে, অৰাবা ফাওদে। মশুবু মখূৎনা চেৎনা পায়রদুনা ঙাংশং ঙাংনা চাক্লিবা মৈরীশিংবু নুং ফাওনা য়েংলি। অচাকপা মৈরীশিংদুগী মরক্তা করিনো অমখক থিরি। ৰাহং অমখক খৌরাংনা হংলি খোঞ্জেলদি থোক্তনা। মতম অমদা মপান ফনা হিংজরম্বা চল্লবা পুন্সি কয়াবু অৰাবা চৈথেং পীবিরম্বা কয়া, লানবু শান্নবা মীওইববু মংশাখৈনা থম্মোয় শোক্লা ৰারৌরবরা? মহাক্তি করিসু খঙদবগুম্না লৈরি। অদুবু মহাক খঙই মদুদি, মীওইবা কাঙলূপকী লান্দা মাগী মচা নুপা, মচানুপী, মমৌ ঙম্না মাঙখ্রে। অমুক হল্লক্লরোইদবা, খোঙচৎ অমদা মথম্মোয় কায়হল্লম্লগা মখোয় চৎখ্রে। মনুং মতম চাদনা মাঙহনবীখ্রবা থৰায়শিংদুবু মহাক্লা কৈদৌঙৈদসু কাউবা লৈরোই। মরমদি পূম্নমক্তু মহাক্কীদি লেঙদ্রবা মরলশিংনি। পোকঙমদনা পোক্লবা পুন্সিগী পোথাফমনি।

খুনগী খুন্থোংদা নহাশিংনা মহাকপু খাল্লে। হংলুদ্রবসু মহাক ৰাখল তারকই। মহাক্লা ইম্ফাল চৎখ্রিঙৈ য়ূম শঙদুনা লৈহৌবী মাগী নুপী ইখঙ খঙহৌদনা লানগী মৈরীদা থৰায় মাঙখ্রে। মহাক সংসারসিদা হিংলবসু হিংদবগুমখি।

-মথং-মথং

— হুইরোংবম বেনুবালা